LARGEST CIRCULATED NEWS PAPER IN MANIPUR
The Sangai Express
Manipuri Edition | 2023-11-09 | Page- 5

## বাল সাহিত্য পুরস্কার, ২০২৩ লাহোক্লগনি

# মণিপুরী লোলগী ওইনা দিলিপ নোংমাইথেম য়াওরি

ঐখোয়গী স্টাফ রিপোর্টর




ইম্ফাল, ওক্তোবর ৮ : লৈবাক অসিদা অঙাংগী খোরিরোল চাওখৎহনবা পান্দমদা সাহিত্য অকাদমি, ন্যু দিল্লীনা চহী খুদিংগী পীবা বাল সাহিত্য পুরস্কার, ইং কুমজা ২০২৩ গী ওইনা লাক্লিবা নবেম্বর ৯ গী নুংথিল পৃং ৫ .০০ তাবা মতমদা ন্যু দিল্লীদা লৈবা ট্রিভেনি কালা সঙ্গমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা লাহোক্লগনি হায়রি ।

সাহিত্য অকাদমিনা শক খঙলবা ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা লোল ২৩ গী অইবশিংদা লাহোক্কদবা মনা লাহোকপগী থৌরম অসিদা সাহিত্য অকাদমি, ন্যু দিল্লীগী প্রসিদেন্ট মাধব কৌশিকনা প্রসিদেন্ট অমসুং ইমিনেন্ট ইংলিশ রাইটর হরিশ ট্রিভেদিনা চীফ গেষ্ট ওইগনি হায়রি ।

মনা ফংলবা অইবশিংগী এরার্দীজ মিটনা মনা লাহোক্লবা মতুং মথংগী নুমিৎ নবেম্বরগী তাং ১০ গী অয়ুক পৃং ১০. তাবা মতমদা রবিন্দ্র ভাবনদা লৈবা সাহিত্য অকাদমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়রি ।

কুমশি চহীগী ওইনা সাহিত্য অকাদমি, ন্যু দিল্লীনা পীবা বাল সাহিত্য পুরস্কার ফংলগদবশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোলগী ওইনা দিলিপ নোংমাইথেম য়াওরিবনি । মনা অসি দিলিপ নোংমাইথেমগী ‘ইবেম্মা অমসুং ঙাবেম্মা’ গীদমক ফংগদবনি ।

কুমজা ২০২৩ গী মণিপুরী লোলগী বাল সাহিত্য পুরস্কার ফংলগদবা দিলিপ নোংমাইথেম কুমজা ১৯৬১ দা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক, ইম্ফালদা পোকই । মণিপুর গবর্নমেন্টকী পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টদা এসিস্টেন্ট এঞ্জিনিয়ার ওইনা থবক তৌরম্মী । লোন টেন্নিসকী সেনিয়র প্লেয়র অমা ওইনা নেসনেল অমসুং আইটিএফকী টুর্নামেন্ট কয়াদসু শরুক য়াখ্রবনি ।